# লম খোপচিনবগী অরোনবা এজেন্দা অমগী মখাদা মফম খরদা নুঙ য়ুংশিল্লকপা য়াবা ঙম্লোই ঃ সিকো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (এস এন এস )ঃ মতম অমগী খোংজাই লালহৌবু খাঙতপ্তা মমিং ওন্থোক্তুনা কুকিনি হায়জবা মীওই খরনা লম কনবা অমদি খোপচিনবগী অরোনবা এজেন্দা অমগী মখাদা নুঙ য়ুংশিনবগী লাল্লোং চত্থরকপসি মীয়াম্না অমদি সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)না য়াবা ঙম্লোই হায়রি।

সিকোগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি থাংজম ইনাওচানা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ইরমদম অসিদা এঙ্গলো কুকি ৱার থোকখিবা লৈতে। হৈপা শাবা অমদি অখঙ অহৈ শাবা, অপিকপা ৱাখল্লোন চেনবা মীওই খরনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংবনি। ইরমদম অসিদা খুন্দা লৈতাদুনা পূন্না লৈমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা তোঙান তানিংবগী অখুবা, অপিকপা ৱাখল্লোন চেল্লোইদবনি। ফুরুপ অমনা পূন্না লৈমিন্নরিবা অতোপ্পা ফুরুপশিংদা শোক্কদবা থবক তৌরোইদবনি। ফুরুপ অমগী মনাৎ, লাইনিং লাইশোল, পুৱারীবু ফৈরেংননা পুনবা হোৎনরোইদবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কুমজা ১৯১৭ –১৯১৯ দা থোকখিবা খোংজাই লান অদু নম্বোল কামোং তোংব্রম লৈকাইদা লৈবা চীংঙাখম তোম্বা অমদি ৱায়েনবম নিঙোল চাউবিগী মচানুপা সনাজাওবনা লুচিংখিবনি। খোংজাই অমদি মীতৈশিং য়াওনা মীওই কয়ানা লালহৌ অদু চত্থখিবনি।

চীংঙাখম সনাজাওবা, মীতৈগী ইরল ওইরিবা থাঙ–তা, মুক্না–কাংজৈ ফজনা হৈবা, মরৈবাক নুংশিবা মীওইনি। মতম অদুগী বৃটিশ ওফিসারশিংনসু মহাকপু সুপর–নেচরেল পৱার চেনবা মীওই অমনি হায়না লৌখি। মসিমক মণিপুর ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিপোর্ট ১৯১৭ –১৮ গী লমায় ১ দা ময়েক শেংনা ইরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চীংঙাখম সনাজাওবা লালহৌ অদুগী পোরম য়াৎপা লুচিংবা অমদি ইনশনবা মীশক্তি হায়বসি পুৱারীগী মচাকশিংদা ময়েক শেংনা য়াওদুনা লৈরি। অদুনা ফুরুপ অমত্তনা মীওই অমত্তনা লমদম অসিগী পুৱারীবু লান্না শন্দোকপা তৌবিগনু। চীংঙাখম সনাজাওবনা লুচিংদুনা খোংজাই লান থোকখি হায়বসি কুমজা ১৯১৮ আগষ্ট ৯ থৱান ৩ নি পানবা ইরাই নুমিত্তা মহাক ফাবগী মতাংদা চৈথারোল কুম্বাবগী লমায় ৫৮৬ তা ‘থৱান থা য়ুমশকৈশনা হল্লে। অদু নুমিত্তা শ্রীয়ুৎকী ইবেম্মা চোংথাম চনু শিএ। ৩ নি ইরাইদা চীংঙাখম সনাজাওবা খোংজাই ঙাওহনবা ফরকএ’ হায়না ইরি।

খোংজাই ঙাওহনবা হায়বা ৱাহৈ ২ অসিনা তাকপদি মহাক্না খোংজাইশিংদা ইনশিল্লগা মতম অদুগী বৃটিশ অমদি নিংথৌ চুরাচান্দগী অরানবা লৈঙাক্লোনগী মায়োক্তা লালহৌ চত্থখিবনি অমদি লালহৌ অদুগী মাষ্টর মাইন্নি হায়বসি অদুমক তাকই। মরম অদুনা কুকি কাঙলূপকী অইবা খূদিংমক্না খোংজাই লান লুচিংখিবা চীংঙাখম সনাজাওবগী মতাং কাল্লগা চৎপা য়ারোই। ঙসিগী মীরোলনা মতম অমগী খোংজাই লাল লুচিংবা সনাজাওবা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লবগীদমক মরী লৈনবা চে চাং ফোটোগ্রাফনচিংবা সিকোদা মতেং পাংবিনবসু মীয়ামদা ফোঙদোক্লি।

# আইদিয়েল মোরেল একাদেমিগী নুপী মহৈরোয়শিংদা শরিৎ শরাক তম্বিখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (এস এন এস )ঃ শরিৎ শরাক এসোসিয়েসন মণিপুরনা লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিংবু কন্দবা য়াদে হায়বগী পান্দমদা স্কুল কলেজ, খুঙ্গং লৈকাইদা নুপীশিং শরিৎ শরাক তম্বিবগী ট্রেনিং পাঙথোরকপগী মনুং চন্না ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা আইদিয়েল মোরেল একাদেমিগী মহৈরোয়শিংদা শরিৎ শরাক্কী মহৈ ফুন–কাঙলোন তাকপি তম্বিখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট এল লসমোন সিংহনা ফোঙদোরক–খিবদি মহৈ লোয়শঙ অসিগী চহীগী স্পোর্টস মিটকী মনুং চন্না গার্জিয়ানশিং য়াওনা তাকপি তম্বিবা অদু চত্থখিবনি। মীওই অমনা নুপী অমদা কা হেনবা থবক চৎনবা হোৎনরকপা নৎত্রগা পুন্সি তেমশিংনরকপা মতমদা কমদৌনা মায়োক্লগদগে লোয়ননা মশানা মশাবু কঞ্জনবা তঙাইফদবা মহৈ ফুন–কাঙলোন তাকপি তম্বিবগী থবক অসি চত্থরকখিবনি।

এসোসিয়েসন অসিনা অরাপ্পা অনকপা থিদনা মফম কয়াদা চৎ চত্তুনা ট্রেনিং পাঙথোক্লি। কনাগুম্বা স্কুল কলেজ, খুঙ্গং লৈকাইদা অসিগুম্বা মখলগী ট্রেনিং তৌহন্নিংবা লৈরগদি এসোসিয়েসন্দা পাউ পীবিয়ু হায়রি।

# পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম লাক্লিবা নভেম্বর ১৮ দগী হৌরগনি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২২ (এজেন্সি )ঃ পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম মথং থা নভেম্বর ১৮ দগী দিসেম্বর ১৩ ফাওবা চত্থরগনি হায়না ঙরাং লাউথোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্সনা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না সেসন অসিগী বিজিনেস লিষ্টতা মরু ওইবা শাথিবা ওর্দিনান্স অনী য়াওরি। হায়রিবা ওর্দিনান্স অনী অসি সেসন অসিদা লো ওন্থোক্কদৌরিবনি। অসিদসু নত্তনা সেসন অসিদা তোঙান তোঙানবা বিল কয়াসু পুথোক্কনি।

ওর্দিনান্স অনী অসিগী মনুংদা অমদি ইনকম টেক্স এক্ট ১৯৬১ অমসুং ফাইনান্স এক্ট ২০১৯ এমেন্দ তৌদুনা হৌখিবা সেপ্তেম্বরদগী ইকোনোমিদা মনিং হন্থরক্লিবসি লাকশিন্নবা অমসুং খুমাঙ চাউশিনহন্নবা অনৌবা অমসুং দোমেষ্টিক মেন্যুফেকচরিং কম্পনি–শিংগী কোর্পোরেট টেক্স রেট হন্থহনবা য়াওরি। অদুগা অতোপ্পা অমনা ই–সিগরেট অমসুং মান্নবা পোথোকশিং পৈশিনবা অমদি য়োনবা অমসুং পুথোকপদা অথিংবা থম্বগী সেপ্তেম্বর থাদা ইসু তৌখিবা ওর্দিনান্স অদুনি হায়রি।

হৌখিবা চহী ২ রোমদি পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম অসি নবেম্বর ২১ দগী হৌরগা জনুৱারিগী অহানবা য়ায়োল ফাওবা চত্থখিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# গুরু সনাতোন লৈখিদবগী কুমওন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (এস এন এস )ঃ গুরু সনাতোন অপূনবা হরি সঙ্কীর্তন নৈনশঙ শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকাই ইম্ফালনা শীন্দুনা গুরু কোন্থৌজম সনাতোন সিংহ লৈখিদবগী ৯ শুবা কুমওন থৌরম থা অসিগী ২৫ লাক্লিবা ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা শগোলবন্দ থিঙ্গোম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি। থৌরমগা মরী লৈননা নুপা পালা অমসুং গৌরা লীলাসু উৎকনি হায়রি।

# য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (হোম)গা আই জি এ আর (সাউথ)কা ৱারী শানখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (এস এন এস )ঃ য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (হোম) জি কিষন রেদ্দিনা ঙসি আই জি এ আর (সাউথ) হেদ ক্বার্টরদা চত্তুনা আই জি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরেল কে পি সিংহ ৱাই এস এমগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে।



আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা আই জি এ আর (সাউথ)কী হেদ ক্বার্টরদা থুংলবদা মেজর জেনরেল কে পি সিংহনা হরাউ তরাম্না ওকখি। মহাক্না লমদম অসিগী মরু ওইবা সেক্যুরিটি অমসুং ওপরেসনগী মতাংদা মরিক চুম্না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হোমদা পাউদমখি। মদুদা লমদম অসিগী শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী ফিভম কায়হন্দনবা অসাম রাইফলসনা কখোকপগা লোয়ননা হোৎনরিবা কয়াদা অপেনবা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। মফম অদুমত্তুদা সৈনিক সম্মেলনসু পাঙথোক্তুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জি কিষন রেদ্দিনা ৱা ঙাংখি অমসুং লমদম অসিগী শান্তি অমসুং শেমগৎ–শাগৎপগী মতাংদা ক্রূপশিংগা ইন্টরেক্সন তৌনখি হায়রি।

পনবা য়াই, ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিত্তা স্পিয়ার কোরগী জেনরেল ওফিসার কম্মান্দিং (জি ও সি)না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহগা উনদুনা ষ্টেট অসিগী সেক্যুরিটিগী ফিভম অমসুং ইন্দো ম্যান্মার বোর্দরগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবনি।

উনবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদি মখল কয়াগী শীংনবা মায়োক্লরবসু ষ্টেট অসিদা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী ফিভম ঙাক্লবা হোৎনবদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা কখোকপগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। জি ও সিনসু আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসনা লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরমখিবনি।

অতোপ্পা অমনা নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী থৌবাল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা য়াইরিপোক কম্পনি ওপরেটিং বেজদা থাগী সেক্যুরিটি মিট পাঙথোকখি। লমদম অদুগী মৈরা পায়বীশিং, ৱার্দ কাউন্সিল্লরশিং, য়ুথ ক্লবকী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখিবা সেক্যুরিটি ফোরম অদুদা এরিয়া অদুগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা খ্বাইদগী নৌবা ফিভমগী মতাংদা নীংথিনা ভাব তামিন্নখি।

লমহেন তুহেনবশিংগী আইন্না য়াদবা থবক কয়া মীকুপ নাহুম শিংনা লৈদুনা হোৎনরিবা অসিগী মতাংদা দরকার ওইবা তঙাইফদবা থবকশিং পায়খৎপগী মতাংদসু ৱারী ৱাতাই শানখি। অসিদসু নত্তনা সিভিক এক্সন প্রোজেক্টকা মরী লৈনবা এক্সন প্লান মপূং ওইনা মেদিকেল কেম্প অমদি অসাম রাইফলস অমসুং আর্মিদা চঙনবগী, নহারোলশিংগী কেরিয়ার কাউন্সেল্লিংনচিংবসু খন্নখি হায়রি।

# মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শীংনরকপা য়ারোই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (এস এন এস )ঃ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সি এন (আই এম)গী মরক্তা শান্তিগী ৱারী শান্নরক্লিবা অসিগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লগনি হায়বসি অৱাং নোংপোক চীংখৈ মীতৈ/মৈতৈ ইনাৎ য়োকখৎ লূপ পুংদোম্বম ইম্ফাল ইষ্টনা তরাম্না ওকই অদুবু মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শীংনরকপদি য়াবা ঙম্লোই হায়রি।

লূপ অসিগী থৌবুরেল ঐচ সুনিল মীতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ৱারী শানরিবা অসিগী ইন্টরলোক্যুটর অমদি নাগালেন্দগী গভর্ণরসু ওইরিবা আর এন রবিনা ফোঙদোকখিবদা ওটোনোমস টেরিটোরিয়েল কাউন্সিল পীবা অমদি আর্টিকল ৩৭১ (এ) এক্সটেন তৌবা হায়বা ৱাফম য়াওরি। অদুগা ৱারী শানবা লোইদ্রিঙৈদা ষ্টেকহোল্ডর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকা হান্না তান্নরমগনি হায়না থাজবসু পীখি। অদুবু ঙসি ফাওবা ষ্টেকহোল্ডর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকা তান্নরম্বগী খুদম ফংদবসি অঙকপা পোকই। অদুনা ৱারোইশিন পুরকপদা লৈবাক্কী ওইবা ৱাফমদা অকায়বা য়াওরবদি লূপ অসিনা য়াবা ঙম্লোই। খোঙফম চেংনা লেপ্তুনা লৈবাক্কী ওইবা ইসুদা শরুক য়াগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# খনগৎলবা মীওই ১২৫ দা য়েন্নাও মচা য়েন্থোকখ্রে

তমেংলোং, ওক্টোবর ২২ (দি আই ও )ঃ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী লৌমীশিংগী সোসিও ইকোনোমিক্কী ফিভম ফগৎহন্নবা মীৎয়েংদা বেকয়ার্দ পোল্টরি স্কিমগী মখাদা এ দি সি তমেংলোংনা খনগৎলবা মীওই ১২৫ অমদি তমেংলোংগী মেদিয়া হাউসতা ঙসি য়েন্নাও মচা ১০৭০ য়েন্থোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিস তমেংলোংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা য়েন্নাও মচা য়েন্থোকপগী এ দি সি ওফিস তমেংলোংদা পাঙথোক–খিবা থৌরমদা এ দি সিগী চিয়ারমেন নামসিনরৈ পানমৈ, ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ডা. চাউবনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

এ দি সি অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর পৌহোইলুং, মেম্বর মিকাহ, স্মোল টাউন কম্মিটিগী চিয়ারমেন চার্লেস লিয়াংদিয়াং, এ দি সিগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসার কজাইগৈ গাংমৈসু শরুক য়াখি। ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর চাউবা সিংহনা হায়, বেকয়ার্দ পোল্টরি স্কিমগী মখাদা য়ুমথোঙ খূদিংগী মাগী মাগী জাগাদা মশীং য়ামদনা চাউরাক্লা য়েন ১০ দগী ১৫ ফাওবগী চাংদা লোইদুনা পোল্টরি ফার্মিংগী মওংদা থবক পায়খৎতুনা লৌমীশিংগী শেন্থোক ফগৎহন্নবা পান্দমদা য়েন্নাও মচাশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। য়েন্নাওশিং অদু অয়ুক নুংথিলগী মতমদা থাদোক্তুনা মচিঞ্জাক চাহনবা অদুগা নুমিদাংগী মতমদনা মখোয়গী য়ারেকফম পীবা তাই।

মহাক্ন মখা তানা, য়েন লোইরিবা লৌমীশিংগী শেন্থোক লেপ্তনা লাক্লবগী লক্ষ্মী কয়ামুক লৈ। মসিগী মনুংদা মরুম অমদি মশা য়োনবসিসু মরু ওইবনি হায়বগী ৱাফমসু থমখি।

# শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী জি বি মিটিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (এস এন এস )ঃ মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী জেনরেল বোদি মিটিং চৎলিবা থা অসিগী ৩১ শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি। প্রমোটর লিষ্টতা লৈরবা অরিবা অমদি অনৌবা মেম্বর খূদিংমক্না জি বি মিটিং অসিদা শরুক য়ানবা খঙহল্লি।

ঙসি কাউন্সিল অসিগী লাইফ টাইম সেক্রেটরী এসঐচ হেমন্তনা হায়, জি বি মিটিং অসিদা অনৌবা মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বরশিং খনবা, অরি অনৌ শক খঙনবা অমদি শুমাঙ লীলাবু হেন্না চাউখৎনবা পায়খৎকদবা খোঙথাংশিং খন্নগনি। মমাঙদদি জি বি মিটিংদা লীলা কাঙলূপ অমগী মেম্বর অমমমতমক শরুক য়ারম্মী অদুবু হন্দক্তি মেম্বর ২–২ শরুক য়ানবা খঙহনখ্রে। অনৌবা থৌমী খন্নবগীদমক থা অমগী মমাঙদগী প্রোসেস তৌবা হৌরে অদুবু রিপ্রজেন্টেটিভ ওইগনি হায়বা মীওইশিংগী মরক্তা মশাগী খূৎয়েক পীবা ফোটো পীরক্তঃবা কয়া য়াওরি। মরম অদুনা চৎলিবা থা অসিগী ৩১ মাঙওইননা খূৎয়েক পীবিনবা অমদি ফোটো পীশিল্লক্নবসু আপিল তৌখি।

সব কম্মিটিগী চিয়ারমেন ৱারেপ্পা নবনা হায়, ২০১৪–২০১৯গী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী থবক লোইশিল্লকপনা মরম ওইদুনা অনৌবা অমুক খনগদৌরিবনি। অদুনা পেট্রোল মেম্বরশিং, এদভাইজরশিং, লাইফ মেম্বরশিং, কাউন্সিলদা এফিলিয়েট তৌরিবা মেম্বরশিং অমদি প্রমোটর লিষ্টতা য়াওরবা মেম্বরশিংনা জি বি মিটিং অসিদা শুংশোয় শোয়দনা শরুক য়াবিয়ু।

# ইন্টর কলেজ য়ুথ ফেষ্টিভেল হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (এস এন এস )ঃ কুন্থ্রাহুমদোই শুবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কলেজ য়ুথ ফেষ্টিভেল ২০১৯ হয়েং য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা এম য়ু সেন্টিনরি হোলদা হৌদোক্লগনি। থৌরম অদুদা এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা অথোইবা মীথুং, ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়ারগী দিন প্রো. টিঐচ রতনকুমার সিংহনা থৌরম মপু অদুগা স্কুল ওফ মেথমেটিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্সকী দিন প্রো. এন রাজমুহোন সিংহ, স্কুল ওফ সোসিয়েল সাইন্সকী দিন প্রো. জি এ শান্তিবলা দেবী, স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিগী দিন প্রো. সিঐচ জসৱন্ত সিংহ অমদি স্কুল ওফ হ্যুমেন এন্দ এনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সেসকী দিন প্রো. রাস উসৱানা ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

# দ্রগ টেব্লেৎনচিংবা সপ্লাই তৌবা লেপ্পিয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (এস এন এস )ঃ সোসিয়েল য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (সুকো) ইম্ফাল ইষ্টনা কোনবা এরিয়াদা দ্রগ টেব্লেৎনচিংবা সপ্লাই তৌবা খুদক্তা লেপ্পিয়ু। কনাগুম্বনা থৌওইদ্রবদি মদুদগী থোরক্কবা অফ–ফত্ত খূদিংমক মশানা পুগদবনি হায়না লাউথোকখ্রে।

সুকোগী সেক্রেটরী জেনরেল খেলশর্মনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, খুন্নাই অসিগী য়াইফনবগীদমক সুকো ইম্ফাল ইষ্টনা থৌদাং কয়াদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। অদুম ওইনমক হৌরিক্লবা নহাশিং, ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লাইচুরবা কয়া থেংনদুনা অমদি কাউন্সেল্লিং পীরবসু সুকোনা লেপখিবা ফিরেপকী মতুং ইন্না দ্রগ টেব্লেৎনচিংবা য়োনবা অমদি সপ্লাই তৌবশিং মরু ফংনা মুত্থৎনবসু হোৎনরি। মসিদা মরী লৈনবা লো ইনফোর্সিং এজেন্সি অমদি লূপশিংনা মতেং পাংবিয়ু অমসুং শৌগৎপিয়ু।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফার্মাসি অমদি মেদিকেল ষ্টোরশিংনা ১ এম এল / ইন্সুলিন সেরিঞ্জ লৈবা য়োনবদা খরা খন্থরগা পীবিয়ু হায়নসু সুকোগী মায়কৈদগী পূক্নিং চিংশিল্লি।

মণিপুরদা তাহৈদবা তৌহৈদবা আইন্না য়াদবা পোৎলম কয়া মপান্দগী লেপ্তনা পুশিল্লকপা অমদি তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদবা নহাশিং নোংম নোংমগী মমি শামশিল্লকপগুম তৌরিবসি য়াম্না নীংবা কায়নিংঙাইনি হায়বগী ৱাফমসু থম্লি।

# কাদাগী একাদেমিক এৱার্নেস কেম্পেইন অমদি মীয়ামগা খন্ন–নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (এস এন এস )ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা উরিপোক কাঙচুপ লম্বীগী লম্বোই–খোংনাংখোঙদা লৈবা তোন্দোনম্না এন্দ থম্বৌমচা হায়স্কুলদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বসিদা কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)গী একাদেমিক এৱার্নেস কেম্পেইন অদুগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা থাঙ্গলৱায় অৱাং লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বসিদা মীয়ামগা পূন্না খন্ন–নৈনবগী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কাদাগী চেরোল অমনা হায়, একাদেমিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা স্কুল অসিগী সাইন্স গ্রেজুয়েট টিচর নারেংবম হেমাবতি, কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরী জেনরেল কোংব্রাইলাৎপম বিনা অমদি কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন দোরেন্না পূন্না থৌরম মপু ওইখি। অদুগা সেক্রেটরী জেনরেল গিতচন্দ্র মঙাংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

অতোপ্পা অমনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা থাঙ্গলৱায় অৱাং লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা ঙসি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বসিদা মীয়ামগা লোয়ননা খন্ন–নৈনবগী মীফমসু পাঙথোকখ্রে। নুপী সমাজ চাউখৎ খোঙথাং লূপ থাঙ্গলৱায় অৱাং লৈকাই অমসুং কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা খন্ন–নৈনবগী মীফম অদুদা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন দোরেন, মৈরা পায়বী সেক্রেটরী হাওবিজম থম্বাল, ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম অনৌবী অমসুং কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট হৈনিংশুংবম বসন্তিনা পূন্না থৌরম মপু ওইখি। খন্ন–নৈনবা মীফম অদুদসু কাদাগী সেক্রেটরী জেনরেল গিতচন্দ্র মঙাংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খোংমন জোন ফোর, ফাইব কম্যুনিটি হোলদা সোসিয়েল ৱার্কর কোংগ্রেস (সি দব্লিউ সি), মীয়ামগী য়াইফ নুপী লূপ, কাদা খোংমন য়ুনিট অমসুং কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি খূৎশম্নদুনা মীয়ামগী খন্ন–নৈনবগী মীফম পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা খোংমন জি পিগী প্রধান মোইরাংথেম নুংশিরৈ, উপ প্রধান অথোকপম চাউবা, ৱার্দর মেম্বরশিং সেরাম গোগো, নিঙোম্বম কিরনমলা অমদি সাইখোম সুনিতানচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

# রূপ–রাগগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (এস এন এস )ঃ লিদিং কলচরেল ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা রূপ–রাগগী চহীগী জেনরেল বোদি মিটিং ঙসি দি এম কলেজ কেম্পসতা লৈবা ইমা ইবেম্মা খুন্থোকহনবী শঙলেন্দা পাঙথোক্তুনা মথং চহী ৩ গী থৌ পুগদবশিং য়েংনবা লৈতনা খনখ্রে।

মখোয়শিং অদুদি অরিবম শ্যাম শর্মা লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট, চোংথাম কমলা ৱার্কিং প্রসিদেন্ট, নব ভোলকেনো ভাইস প্রসিদেন্ট, কোংখাম বীরকুমার সিংহ জেনরেল সেক্রেটরী, ওইনাম শ্যামিকুমার সিংহ এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী, আর কে নন্দেশ্বরি দেবী ত্রেজরর অমসুং রম্বো নাওরেম পব্লিসিটি সেক্রেটরীনি হায়রি।

# হার শীজিন্নবগী কান্নবা অমদি তঙাইফদ্দবশিং খঙমিন্নখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ২২ (এস এন এস )ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর অমসুং কে ভি কে থৌবালনা শীন্দুনা ঙসি কে ভি কে থৌবালগী হোলদা লৌমীশিংনা হার শীজিন্নবগী কান্নবা অমসুং তঙাইফদবশিং খঙমিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লৌমী কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাংবল জি পিগী প্রধান ঐচ মনিচন্দ্র, আর এস এস ৱাংবলগী রাইচ ব্রিদর কে ঐচ ঙমরৈশং, দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসকী এক্সটেন্সন ওফিসার (ই ও) টিঐচ তোম্বা অমদি কে ভি কে থৌবালগী সবজেক্ট মেটর স্পিসিয়েলিষ্ট প্লান্ট প্রোটেক্সন ডা. এম থোইথোইনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ কেমিকেল ফর্টিলাইজরনা স্পোন্সর তৌরগা দিল্লিগী নেস্লেল এগ্রিকলচরেল সাইন্স সেন্টরদা পাঙথোক্লিবা ফর্টিলাইজর এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদু থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৌমীশিংদা হাকথেংননা য়েংহনখি অমদি হার শীজিন্নবগী কান্নবা অমদি তঙাইফদবা কয়াগী মতাংদা ভাব তাহনখি হায়রি।

ঙসি চত্থখিবা প্রোগ্রাম অদুদা কে ভি কে থৌবালগী ফার্ম মেনেজর ডা. দব্লিউ জিতেন, সবজেক্ট মেটর স্পিসিয়েলিষ্ট এগ্রোনোমি এন তোম্বা, এক্সটেন্সন ওফিসার টিঐচ তোম্বা অমদি কে ভি কে থৌবালগী ডা. এম থোইথোইনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি হায়রি।

# ‘নুপী লূপ্না ঙাক শেনবগী পাঙ্গল লৈশিল্লক্ত্রে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (এস এন এস )ঃ শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাই, অখাম লৈকাইনা কোনবা মফমশিংদা নহারোলশিংনা তুরেল মপান, থোং মথক অমদি লৈরক্কী অমম্বা মফম থিদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা থকপা অমদি য়োনবনচিংবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা অসিনা তেরা লৌক্রাকপম লৈকাই, অখাম লৈকাই অপূনবা নুপী লূপ্না ঙাক শেনবগী পাঙ্গল লৈশিল্লক্ত্রে। অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবিদুনা মতেং পাংবিয়ু হায়রি।

লূপ অসিগী সেক্রেটরী এস পুর্ণিমাসি দেবীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হায়রিবা এরিয়া অসিদা মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা থকপা য়োনবদা অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি। অদুবু অথিংবা অসিগী মায়োক্তা লেপ্পা লৈতনা থবক কয়া চত্থরকপদগী নুপী লূপ অসিনা ঙাক শেনবগী পাঙ্গল ৱাৎলকখিবনি। মরম অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিদুনা মতেং পাংবিয়ু। অমরোমদা লাক্লিবা দিৱালি কুম্মৈগী মাঙওইননা লৈরক কোন্সাং খূদিংদা লগাও খাওবসু লূপ অসিনা অথিংবা থম্লে। মসিদা করিগুম্বা ফত্ত–নুংদা থোরকপা পূম্নমক মশা মশাগী ওইগদবনি। হায়রিবা অসিসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবিদুনা মতেং পাংবিয়ু হায়না আপিল তৌরি।

## অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম



ঙসি তাং ২২।১০।২০১৯ ইং লৈপাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ৮ তাবা মতমদা শ্রী গুরুময়ুম শ্যামসুন্দরনা সভাপতি ওইদুনা উরিপোক গোপালজি মান্দপ্তা মরুপ অসিগী মেম্বর ওইরম্বা তৌরাংবম ইনাওবী সিংহনা হৌখিবা তাং ১৪।১০।২০১৯ ইংদা লৈখিদবগা মরী লৈননা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙখ্রে। লোয়ননা মাগী ইমুং–মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াবা হায়না মত অমত্তা ওইনা য়ানখ্রে।

SL/5448/23

Gopalaji Marup
8794110054

## নুংশংগী ওঝাবু থাগৎচরি



Naorem Ibomcha



ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা মতম শাংনা নাদুনা লৈরকপনি। লাইওংদি মপান্দা পোম্বা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, চেখায়বা, ঈ তাবা চিকপা শাবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হান্বা য়াদবা অসিনি। মফম খূদিং চৎতুনা য়েংজরুরে, ফবা কৌবা লৈত্রে। লাইবক ফবদগী হৈঙাংদা লৈবা নাওরেম ইবোমচা (Phone No. 8014023792/6009147645) গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু ঙসিদি পুকফ ফজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী সেবা মতম কুইনা তৌবিরকখো হায়না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি।

থাগৎচরিবা – Maibam Kerani Meitei (60 )
Kongpal Chanam Leikai

SL/5430/19 (M)

## ঙসিগী রাষি ফল (২৩–১০–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** অশোক অপন থেংনবা, শেল ফংবা চৎপা মান্নবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। অরুবা পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১,২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** লম চৎপা, গারী থৌবা, মী তিন্নবদি চেকশিল্লু। মরম চাদনা শেল চৎলগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। হকচাং ফত্তে। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

**মিথুনঃ** তোখাই তাবা, মীৱা মীশা তাবা, শেল তুঙবা ৱাবা মতম্নি। অরানবা তাহল্লগনি। য়েক্লবা হেনগৎহল্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। খরদি চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

**কর্কটঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, শেন্বা শাবা য়াবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮, ৯ অফবনি।

**সিংহঃ** শোক্কনবা, খৎননিংবা মতম্নি। শেল ফংলবসু চৎখিগনি। অশাওবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১০, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** ৱা থোকপা, মীমাং থোকপা, খৎননিংবা মতম্নি। অকনবা ৱা হায়দবা ফগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু। কল্লকপা য়াম্মী। ইমুংদা মত চান্নদে। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ ফত্তে।

**তুলাঃ** মত চান্নদবা, ৱা ঙাংবদা লৌনদবা, তোখাই তাবা মতম্নি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈ শিংউ। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫ ফগনি, ১৬ ফত্তে।

**বৃশ্চিকঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৬ ফত্তে, ১৭,১৮ ফগনি।

**ধনুঃ** শোক্তঃনবা হোৎনজগনি। খৎননিংগনি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০ ফগনি, ২১ হেন্না ফত্তে।

**মকরঃ** চরক চহিং নাইবা, কোক শাবা মতম্নি। হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈরগনি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ চাং অমদা লৈ।

**কুম্ভঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, হোৎনবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা, হকচাং নুংঙাইবা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।

